# ইন্দিয়ানা ঙসিদগী ইরানগী থাও লৈবা লেপ্পগনি

## লৈবাকসিদা থাও ফঙদবা, তাঙবগী অৱাবা মায়োক্নরবা য়াই

*ন্যু দিল্লি, মে ১ঃ*

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা থিংবদগী ইন্দিয়ানা ইরানদগী থাও লৈদুনা পুশিল্লক্লম্বদু হয়েংদগী লেপ্পগনি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাকসিদা থাওগী মমল তাঙখৎলক্তুনা অৱাবা মায়োক্নরবা য়াই।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা যু এসনা ইরানগা তৌনবা ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী তোকখি অমসুং লৈবাক অদুগী মথক্তা সেঙ্কসন্সশিং অমুক থমজিনখি। সেঙ্কসন্সশিং অদুনা ইরানগী থাও লৈবা লৈবাকশিং অমত্তা কোমথোকপা পীখিদে।

অদুম ওইনমক থা ৬ খক্কী ওইনা কোমথোকহনখিবা লৈবাক ৮গী মনূংদা ইন্দিয়াসু য়াওই। থা ৬কী মতম অদু হৌজিক লোইখ্রে। ইন্দিয়ানা হৌজিক যু এ ই, সাউদি অরাবিয়া অমসুং যু এসতগী থাও লৈবা তারি।

ইন্দিয়াদা থাও পীবদা ইরাননা খ্বাইদগী চাওবা ৩শুবনি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি ইরানদগী থাও লৌবা মতমদা পুরকমন চংদবা অমসুং ইন্দিয়াগী রুপীনা থাওগী মমল পীবা য়াবগী কান্নবশিং ফংলি। হায়রিবা কান্নবশিং অদু হৌজিক্তি অতোপ্পা লৈবাক্তগী ফংলরোই। মসিনা ইন্দিয়ানা থাও লৈবদা হেন্না শেন তিংহল্লগনি অমসুং পেট্রোল অমসং দিজলগী মমল ৱাংখৎহল্লগনি।

ইরানদগী থাও য়ান্না লৈরিবা অতোপ্পা লৈবাক ২ টর্কি অমসুং চিনানদি যু এসকী দিমান্দ অদু মৱা লৌরোইদৌরি য়ারোইদৌরি।

থাওগী মমল অদু হেনগৎলকপগী তম্বা–ঙমদবা অসিগী পোৎলূম অসি থাও লৈরিবশিংদা ননলোই অমসুং লৈবাকপূম্বদা তাহল্লোই হায়না প্লানিং কমিসনগী হান্নগী মেম্বর কিরিট পরিখনা এজেন্সিদা হায়রি।

ইরানদগী থাও লৈবা য়াহনবগী কোমথোকপা অদু তোক্লবগী যু এসকী ৱারেপনা থোকহল্লকপা শাফু অদু থেংননবা সেন্টরনা মতিকচাবা থৌরাং তৌরে হায়না এপ্রিল ২৩দা ফোঙদোকখ্রবনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা ইন্দিয়াগী ইনরজি অমসুং ইকোনোমিক সেক্যুরিটি ঙাকথোক্লবা ওইথোকপা য়াবা লম্বী পূন্নমক ফংনবা যু এস য়াওনা খূৎশন্নরিবা লৈবাকশিংগা মখা তানা গভর্ণমেন্টনা থবক তৌগনি হায়খি।



# মাওইষ্টশিংনা মহারাষ্ট্রদা পুলিসমেন ১৫, দ্রাইভর হাৎখ্রে



*গাদচিরোলি, মে ১ঃ*

ঙসি মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা মৈ থাদোক্লমখিবা গারী ৩৫ রোম য়েঙশিনবা লাকখিবা গাদচিরোলি পুলিসকী সি–৬০ ক্বিক রেস্পোন্স টিমদা মাওইষ্টশিংনা আই ই দি ফুমদুনা গারী অমা শক্তি লৈনা পোকখায়হল্লক্তুনা পুলিসমেন ১৫ অমসুং মখোয়গী দ্রাইভর হাৎখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাওইষ্টশিংগী এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মদুদা চেন্নবশিং অমত্তা লেন্না থারোই হায়খ্রে।

এপ্রিলদগী নেসনেল ইলেক্সন হৌখিবা মতূংদগী ছতিসগড়গা ঙমখৈ তাইনবা মহারাষ্ট্রগী গাচিরোলিদা মাওইষ্টনা এটেক তৌরকপসি মসিনা ৪শুবনি।

ঙল্লিঙেগী এটেক অমা য়েংশিন্নবা লন্নাই গারী অমদা চৎপা কম্মান্দো টিম অমদা মাওইষ্টশিংনা এটেক তৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬ শিরে হায়না মহারাষ্ট্রগী পুলিস হেদক্বার্টরসতা ওফিসার অমনা হায়খি। মমিং ফোঙদোকপা পামদবা ওফিসার অদুনা মখা তারদুনা রেস্কু অমসুং কম্বেট ওপরেসনশিংগীদমক মফম অদুদা অহেনবা টিমশিং থাজিনখ্রে হায়খি।

ঙসি অয়ুক পূং ৩.৩০ রোম তবদা গাদচিরোলিগী কুরখেদাদা লম্বী শেন্বগী মফম অমদা মওইষ্টশিংনা গারী ৩৫ রোম মৈ থাদোকখিবগী পূংখরগী তূংদা গাচিরোলিগী জমভুমপদা খূঙ্গংদা অমুক হন্না মাওইষ্টশিংনা বোম ফুমদুনা এটেক তৌরকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা মাওইষ্টশিংগী এটেক অদু ষ্টেট অসিনা মসিগী ফাউন্দেসন দে মহারাষ্ট্র দিবস পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙে অমসুং মাওইষ্টশিংনসু হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ২২দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়গী কমরেদ ৪০ হাৎখিবা অদুগী চয়োল অমা শাংনা চখরকপা নীংশিং থৌরমগী প্রোটেষ্টকী অরোয়বা তাঙ্কক য়ৌরকপদা চখরকখিবনি।

মৈ থাদোকখিবা গারীশিং অদু অয়াম্বনা নেসনেল হায়ৱে ১৩৬কী পুরাদা–য়েরকাদ সেক্টরদা থবক শুরিবা অমর ইনফ্রাষ্ট্রকচরস লিমিটেদকীনি।

হৌখিবা চহীদা মখোয়গী কমরেদশিং হাৎখিবা অদুবু কন্দেম তৌবা বেন্নরশিং অমসুং পোষ্টরশিং থেৎলবা তূংদা মাওইষ্টশিংনা জে সি বী ২, টিপ্পর ১১, দিজল অমসুং পেট্রোল টেঙ্করশিং, রোল্লরশিং জেনরেটর ভেনশিং অমসুং থবকশুফম অদুদা শাবা ওফিস অনী মৈ থাখি।

# মখোয়গী মিংদা য়াওরিবা ‘গান্ধী’ অদু মহাত্মাগী নৎতে

## ফিরোজ গান্ধীদা য়াওরিবা গান্ধী অদুনি ঃ উমা ভারতি

*বিদিসা, মে ১ঃ*

কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী ইমূং–মনূংগী মীওইশিংদা পল্লদুনা যুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবী উমা ভারতিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ইমূং–মনূংগী শাগৈগী মিং ওইনা য়াওরিবা গান্ধী হায়বদু মহাত্মা গান্ধীগী নৎতে। অদুবু মদু লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মপুরোইবা ফিরোজ গান্ধীগীনি হায়খ্রে।

ঐখোয়গী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দিগবিজয় সিংহনা মহাক মশামকপু রাজা (নিংথৌ)নি হায়জে। অদুবু সোনিয়া গান্ধীগী য়ুমগী মপান্দদি পরেং লেং লিবা মরক্তা লেপ্পি।

নরা দত্তা টিৱারিনা সজয় গান্ধীগী খোঙুপ লৌশিল্লি। অচৌবা লূচিংবশিংনা ইন্দিরা গান্ধীগী মমাঙদা মখূৎ লোন্নৈ। ইমূং অসিগী অখন্নবা অদু করিনো? হায়না মধ্য প্রদেশকী বিদিসাদা পাংথোকপা মীফম অমদা উমা ভারতিনা হংখি।

ইমূং –মনূং অসিগী মিংদা হাপ্পিবা ৱাহৈক ‘গান্ধী’ হায়বদু মহাত্মা গান্ধীগী নৎতে অদুবু মদু ফিরোজ গান্ধীদা য়াওরিবা গান্ধী অদুনি।

ফিরোজ গান্ধীনা জৱারহরলালগা মরি ফৎনখিদে। নেহরুগী শাগৈ মমিং অসি ফাওবা শিজিন্নবগী মহাক্কী হক লৈখিদে।

অদুবু মখোয়গী অনৌবা শাগৈগী মমিং অসিনা মখোয়দা ঈকাইখুম্নবা ফংহনগনি খনখি। মহাত্মা গান্ধীগী খোঙ্গুল লীক্লমদা চৎপদি মোদিজিনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মধ্য প্রদেশতা লৈরিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টপু মাগী পার্টিনা থুগাইনবা হোৎনৈ হায়না শীরকখিবা মরানশিং অদুসু পি জে পি লূচিংবী অসিনা থিনা য়াখিদে। বি জে পিগী মীওইনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টপু ইম্বুবা পাম্মি হায়না মখোয়না হায় অদুবু ঐখোয়দি ওপোজিসনদা মঙাল লৈনা ফম্লিবা মীওইশিং অদুনি। ঐখোয় গভর্ণমেন্টতা নৎত্রগা ওপোজিসনদা লৈবগী করিসু খন্দে। ঐখোয়না পাম্বদি মীয়ামগী থবক তৌবনি হায়খি।

মখোয়গী মীয়ান্না মখোয়গী গভর্ণমেন্ট ইম্বুজগদবনি, বি জে পিনা নৎতে হায়না উমা ভারতিনা হায়খি।



# নুপী ডোক্টর অমা হাৎলম্লে, য়ূমলোন্নবা ডোক্টর অমসু থিবা খঙদ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১ঃ*

মশাগী চহী ২৫ শুরবী ডোক্টর অমা ঙসি দিল্লিদা মহাক্কী য়ুমদা মখৌরি মেৎথৎলগা হাৎলম্লে অমসুং মহাক্কী য়ুমলোন্নবা ডোক্টর অমসু থিবা খঙদ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি। থৌদোক অসি অৱাং দিল্লিগী রঞ্জিৎ নগরদা থোকখিবনি।

ডা. গরিমা মিশ্রাগী থোঙ অদু মপান্দগী শো লোনশিল্লে হায়না দিল্লিদা লৈবা মাগী মরিমতা অমনা য়ূমগী মপূ অদুদা খঙহনখি। মদুদগী পুলিসতা পাউ পীখি।

থোঙ অদু থুগাইরগা য়েংবদা ডা. মিশ্রা শিরগা লৈরমখি। মহাক এম বি বি এস লোয়রবা তূংদা এম দি তম্নবা থৌরাং তৌরিবনি। মহাক উত্তর প্রদেশকী বহরাইচতগীনি।

মাঙখ্রিবা ডোক্টর চান্দা প্রকাস বর্মাসু হৌখিবা মতমদা ডা. মিশ্রাগা থবক তৌমিন্নরকখি অমসুং মখা তমথনবগী থৌরাং তৌরিবনি। চান্দা প্রকাস বর্মাগা কা অমদা পূন্না লৈমিন্নবা ডা. রাকেশ পুলিসনা ৱাহং পাউহংখ্রে। মহাক সিটি অসিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তাবা পাউ ঙাইরি।

# ভিসা য়াওদবা ইন্দিয়ান ২ শ্রী লঙ্কাদা ফাখ্রে

*কলম্বো, মে ১ঃ*

শ্রী লঙ্কাগী ইম্মিগ্রেসন লোশিং থুগাইবগীদমক পুলিসনা ইন্দিয়ান নেসনেল অনী অমগসু কলম্বোদা ফাখ্রে।

ইন্দিয়ানশিং অদু ভেলিদ ভিসা পায়দবগীদমক রাজাগিরিয়াদগী ঙরাং ফাবনি হায়না পুলিসকী পাউ পল্লদুনা সন্দে টাইমসকী পাউনা হায়রি। হৌখিবা চয়োলদা শ্রী লঙ্কাদা ভেলিদ ভিসা য়াওদনা লৈরম্বগীদমক ফাখিবা ফোরেনর ১৩গী মনূংদা ইন্দিয়ান নেসনেল অমা য়াওখিবনি।

ইষ্টর সন্দেদা মীওই ২৫৩ শিখিবা অমসুং ৫০০ হেন্না শোকখিবা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী শাথিবা টেরর এটেকশিংগী মতূংদা শ্রী লঙ্কা গভর্ণমেন্টনা সেক্যুরিটিগী থৌরাং কনখৎলকখিবগা ফাবগী থবকশিং অসি চখরকপনি।

# আই এসনা বেঙ্গলদা অনৌবা এমির হাপখ্রে, ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশদা এটেকশিং চথগনি কিহল্লকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১ঃ*

অবু মুহম্মেদ অল–বেঙ্গলিবু বাংলাদেসদা মখোয়গী অনৌবা এমির হাপলে হায়রদুনা ইস্লামিক ষ্টেট এফিলিয়েট গ্রুপ অমনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেসতা এটেকশিং চথরগনি হায়বা অতমননা অকীবশিং পীরকখ্রে।

বেঙ্গলি, ইংলিস অমসুং হিন্দিগী আই এস পোষ্টরদা বেঙ্গল অমসুং হিন্দদা খালিফাগী লান্মীশিংবু নখোয়না তুমিন্না লৈহনখ্রে খল্লবদি হৌজিক তাউ ঐখোয়গী মীওইশিংদি কৈদৌঙেদা তুমিন্না লৈহনবা ঙমলোই। লমন খুম্বগী খৌরাংবা কৈদৌঙেদা কোকহনবা ঙল্লোই হায়না ইরি।

বাঙ্গলদা ইবা ইস্লামিক ষ্টেট পোষ্টর অদুদা থুনমক লাক্লগনি হায়রি। ওইরক্লিবা মওং অসি বাংলাদেসকী কোনূং ধাকাদা সিনেমা থিয়েটর অমগী মনাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক মচা অমা তৌখিবদুগী নোংমগী মতূংদনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পূং ৭.৩০ রোমতবদা গুলিষ্টান থিয়েটর মনাক্তা পীক্লপনা পোখায়খিবদুদা পুলিসমেন খরা শোকখিবনি।

বাংলাদেসতা আই এস আই এস সেন্ট্রেলদা এফিলেট তৌবা জমাতুল মুজাহিদীন (ন্যু–জে এম বি) লৈরি। মসিগী ওপরেটিবশিংনা কোলকতা অমসুং থংনবা ষ্টেটশিংগী অতে মফমশিংদা তোয়না চখোক–চৎশিন তৌবনা এটেক তৌনবগী পীরক্লিবা অকীবশিং থৌশাদবা য়ারোই হায়না এন্টি–টরর য়ুনিটকী ওফিসার অমনা হায়খি।



## জাকির নায়ককী টিভি চেন্নেল থিংখ্রে



*কলম্বো, মে ১ঃ*

মীওই ২৫০ হেন্না হাৎখিবা ইষ্টর সন্দে এটেকশিং অদুগী মতূংদা শ্রী লঙ্কাগী কেবল টিভি ওপরেটর অনীনা ৱাথোক ওইরবা প্রিচর জাকির নায়ককী ‘পিছ টিভিবু’ মখোয়গী চেন্নেলগী লিষ্টতগী লৌথোকখ্রে।

আই এস আই এস রিক্রুটরশিংনা নহারোলশিংবু লালহৌবগী ৱাখল্লোন চেলহন্নবগী শিজিন্নরকখি হায়বা মহাক্কী টিভি চেনেল অদু ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেসনা হান্নলা অথিংবা থমখ্রবনি।

শ্রী লঙ্কাগী খ্বাইদগী চাওবা কেবল ওপরেটর ২ দাইলোগ অমসুং এস এল টিনা জাকির নায়ককী পিছ টিভি শন্দোকপা লেপহনখ্রে। অদুবু ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোক্লদবা ৱাৎলি হায়না কলম্বো গেজেটকী পাউনা হায়রি।

শ্রী লঙ্কা গভর্ণমেন্টনদি পিছ টিভি অথিংবা থমলকখিদ্রি। পিছ টিভি অসি ২০০৬তা জাকির নায়ককী মুম্বাইদা লৈবা ইস্লামিক রিছার্স ফাউন্দেসননা লিংখৎখিবনি।

২০০৯দা উর্দু লোনগী শন্দোকপা হৌখি। ২০১১দা বাংলাগী শন্দোকপা হৌখি। ইংলিস, উর্দু অমসুং বাংলাদা দুবাইদগী টেলিকাষ্ট তৌই।

## ভেনেজুয়েলা কু শৌগৎপা প্রোটেষ্টরশিং তনখাইখ্রে

*কারাকাস, মে ১ঃ*

গভর্ণমেন্ট কু তৌনবা হোৎনবা অমা শৌগৎতুনা ঙরাং ভেনেজুয়েলাগী লা কারলোতা এয়ারবেজ মপান্দা ইরাং তৌখিবা প্রোটেষ্টরশিংবু আর্মোর ভেহিকল অমা শিজিন্নদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা তনখাইখ্রে। ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোনা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরো তাম্থোক্লবা লান্মীশিংসু মপান্দা থোক্লক্লবা অপীল তৌখিবনি।

# পাকিষ্টানদা লুপা বিল্লিয়ন ৩.৪৫ হেনবগী ওইগদবা নারকোটিক্স কিলোগ্রাম ৩৫০ ফাখ্রে

*কারাচি, মে ১ঃ*

পাকিষ্টানগী কোষ্ট গার্দশিংনা লৈবাক অসিগী লালহৌবগী ইরাং লৈবা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা চথখিবা রেইদ অমদা লূপা বিল্লিয়ন ৩.৪৫ হেনবগী নারকোটিক্স কিলোগ্রাম ৩৫০ ফাগৎলকখ্রে।

মীরৈবাক খরদা অৱাংবা থাক্কী ক্বালিটি লৈবা নারকোটিক্স লোন্না থাদোকখিনবগী ওইথোক্লিঙাই লৈবা থৌরাং অমগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ অমা ফংখিবনি হায়না পাকিষ্টান কোষ্ট গার্দসকী ৱাঙাংলোইগী ৱা পল্লদুনা এরি ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অমগী য়ুমফমদা থবক চথদুনা কোষ্ট গার্দসনা হায়রিবা মফম অদুদা পাকচাওবা ওপরেসন অমা চথখি অমসুং জিৱানি টাউনগী বিচ অমদা লৈবাক মনূংদা লোৎলম্বা হেশিশ কেজি ৩৫০ ফংখি।

ফাগৎলবা অৱাংবা ক্বালিটিগী হেশিশ অদুগী মমল ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লূপা বিল্লিয়ন ৩.৪৫ ফাওবা য়ৌগনি হায়না কোষ্ট গার্দসকী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

কোষ্ট গার্দসশিংনা দ্রগশিং অদু কোন্না মাঙহনখিগদবা এন্টি–নারকোটিক্স ফোর্সতা খূৎশিন্নখ্রে। নারকোটিক্স ফাবা অদুগা মরিলৈননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা ফাদ্রি। অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দ্রগ লল্লোনবশিং অদুগী লিখুন ফংননবা মফম অদুদা কুপ্না য়েংশিনবা মোনিটরিং তৌবা হেন্না কনখৎখ্রে।

জনুৱারি থাদসু কোষ্ট গার্দশিংনা বালোচিষ্টানগী ৱিন্দর খারি চেকপোষ্টতা পেসেঞ্জর ভেন অমা চেক তৌদুনা চথখিবা রেইদতা হেশিশ কেজি ৩৫ ফাগৎখি।



# মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা থল্লিবা যু এস ট্রুপ পূন্নমক টেরোরিষ্টশিংনি হায়না ইরাননা লেপখ্রে



*লন্দন, মে ১ঃ*

ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসিন রৌহানিনা মিদ্দল ইষ্টতা লৈরিবা যু এস লান্মী পূন্নমকপু টেরোরিষ্টশিংনি লাওথোকপা অমসুং যু এস গভর্ণমেন্টপু টেরোরিজম শৌগৎতুনা য়োকখৎপা গভর্ণমেন্টনি হায়বা বিল অমা ঙসি সহি তৌদুনা আইন ওন্থোকখ্রে।

ইরানগী মাঙজিন থাবা রিভোলুসনরি গার্দসপু ফোরেন টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়বা এপ্রিল থাদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রুম্পকী ৱারেপ অদুগী লমন খুমদুনা হৌখিবা চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টনা বিল অদু পাস তৌখিবনি।

অদুবু ইরানগী অনৌবা আইন অসিনা যু এস ফোর্সশিং অমসুং মখোয়গী ওপরেসনশিংদা করি শাফু পীরকপা য়াবগে হায়বদুময়েক শেঙনা খংদ্রি।

প্রসিদেন্ট রৌহানিনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টিলিজেন্স, মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারস, আর্মদ ফোর্সশিং অমসুং ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা আইন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা পাউতাক পীখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়খি।

ঙরাং চৎনহনখিবা ইরানগী অনৌবা আইন অসিনা মিদল ইষ্ট অমসুং অফগানিষ্টানদা যু এস মিলিটরি ওপরেসনশিংগী থবক শিল–লাংলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস সেন্ট্রেল কমান্দ (সেন্টকোম)বু অকক্লবা ওইনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়বগী মিংথোল পীখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জারিনা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা ইরানগা লান শোক্লবা পান্নমগনি থাজদে হায়খি। অদুবু মহাকপু কনাগুম্বা অমনা লান অসিদা থেমদুনা চীংশিলকপা ওইগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসকা শন্নবা মীওইশিং অমসুং এন্টাইটিশিং হান্নলা ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে।

আর্মি, নেভি অমসুং এয়ার য়ুনিটশিংগা পূল্লগা লান্মী লাক্ষ ১ লিশিং ২৫গী মপাঙ্গল লৈবা মিলিটরি ওইরিবা রিভোলুসনরি গার্দস (আই আর জি সি) অসি লাইনীংগী ওইবা ভলন্টিয়ার পেরা মিলিটরি ফোর্স বাসিজসু কমান্দ তৌই অমসুং ইরানগী বালিষ্টিক মিসাইল প্রাগ্রামশিংসু মসিগী মখাদা লৈ।

গার্দসকী মীরৈবাক্তা লৈবা কুদ্স ফোর্সনা রিজন অসিদা ইরানগী প্রোক্সি ৱারশিং থেংনরি। টেহরান অমসুং ৱানিংটনগী মরক্তা মতম শাংনদগী লৈরকপা উংখৎনবা মরিশিং অদু প্রসিদেন্ট ট্রুম্পনা ওফিস পায়দ্রিঙৈগী মমাঙ মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাক ৬কা ইরানগা তৌনবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী ট্রুম্পনা তোক্তুনা হৌখিবা মে থাদগী হেন্না ফৎচিল্লকখিদবনি।

# ইন্দিয়াদা চহী ৪৩গী মনূংদা এপ্রিল থাদা খ্বাইদগী কনবা সাইক্লোন ‘ফোনি’ ইরাইগী নুমিদাংৱাইরমদা ওরিষ্যা খোঙবানদা থুংলরগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ১ঃ*

ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ওরিষ্যাগী কংফাল লমদমদা থুংলরগদৌরিবা নোংলৈ–নুংশিৎ সাইক্লোন ‘ফোনি’ অসি চহী ৪৩গী মনূংদা ইন্দিয়াদা এপ্রিল থাগী মনূংদা শিংপা খ্বাইদগী হেন্না কনবা নোংলৈ–নুংশিৎনি।

সাইক্লোন ফোনিনা লৈবাকপোকপগী অথেঙবদা য়ান্না শাথিনা অকনবা নোংলৈ অমগী মওং লৌরকখ্রবগী মতূং ওরিষ্যাদা য়েল্লো এলার্ট লাওথোকখ্রে।

মসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনগদৌরিবা অসি ওরিষ্যাদনি। ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদসু শোকহনগনি। মী কনবা অমসুং অৱা তেঙবাং পীবগী থবক ফজনা চখনবা য়াহন্নবগীদমক পুরি, জগৎসিংহপুর, কেন্দ্র বরা, ভদ্রাক, বলাসোর, ময়ুরভঞ্জ, গজাপতি, গঞ্জাম, খোরদা, কত্তক অমসুং জাজপুরনচীংবা ওরিষ্যাগী দিষ্ট্রিক কয়াদা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক হান্নলা লৌথোকখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ মেদিনিপুর, সাউথ অমসুং নোর্থ ২৪ পরগনাজশিং, হাওরা, হুগলি অমসুং কোলকতা নোংলৈ–নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লবা য়াবা দিষ্ট্রিক্টশিংনি।

অন্ধ্র প্রদেশতনা শ্রীকাকুলম, বিসাখাপতনম অমসুং বিজয়ানগরমদা নোংলৈ–নুংশিৎকী শাফু ফাওগনি।

নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সেসনা খুদোঙথিবা থোক্লিংঙাই ওইবা মফমশিংদা টিম ৪১ শিন্দোক্তুনা থমখ্রে হায়রি। সাক্লোন ফোনি অসিনা বে ওফ বেঙ্গলদা খ্বাইদগী মতম শাংথনা লৈবা নোংলৈ–নুংশিৎ অদুসুনি।

সাইক্লোন অমনা মহৌশানা চয়োল অমা ফাদ্রিঙেদা কংফাল লম য়ৌরকই। সাইক্লোন ফোনিগী এলার্ট অদু হৌখিবা চয়োলদা লাওথোকখিবনি অদুবু মসিনা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পূং ৫.৩০ রোম তাবদা পুরিগী খা থংবদা কংফাল লম য়ৌরক্কদৌরি।

অদুম ওইনমক মসি হৌখিবা চহী খরসিগী মনূংদা শিংপা খ্বাইদগী শাথিবা নোংলৈ–নুংশিৎতি ওইরোইদৌরি।

সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অমগী নুংশিৎকী অয়াঙবা খোঙজেল অসি পূংদা কিলোমিটর ৮০–৯০দগীনা ১৭০–১৮০ ফাওবনি অমসুং মসি পূংদা কিলোমিটর ১৯৫–২০০ ফাওবা কনখৎলকপা য়াই।

খুদোঙথিবশিং মাঙজৌননা থিংহৌনবা অমসুং অৱা –তেঙবাংগী থবকশিং লৌখৎনবগীদমক মাঙজৌননা শেলগী তেংবাং ওইনা সেন্টরনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেট ৪দা লূপা ক্রোর ১০৮৬ থাদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে।

নোংলৈ–নুংশিৎ অসিগী মমিং বাংলাদেশনা ফোনি হায়না থোনবনি। মসিগী চাওরাকপা ৱাহন্থোক্তি ‘লিনগী মকূ’ হায়বনি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-110**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | 8 | 9 | | 4 |
| | 4 | | 2 | | | | 3 | 7 |
| 7 | | | | 9 | | 5 | | 2 |
| | 2 | | 9 | | 7 | | 4 | |
| 9 | 5 | 3 | | | | | 7 | |
| 4 | | 7 | | 3 | | | | 5 |
| | | 8 | 5 | 2 | | | | 9 |
| 3 | | | 7 | 4 | | | | |
| | 9 | | | | 6 | 7 | | |

**সনা–সুদোকু – ১০৯গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 9 |
| 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 5 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 5 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 6 | 8 | 2 | 4 | 5 |
| 3 | 5 | 6 | 4 | 2 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 4 | 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 3 | 6 | 1 |
| 8 | 1 | 7 | 2 | 5 | 6 | 4 | 9 | 3 |
| 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 9 | 4 | 3 | 8 | 1 | 7 | 5 | 2 | 6 |